# মালেমগী অতোপ্পা মফম অমত্তদা ফংদ্রিবা সঙাই অমসুং সিরুই লিলি চেকশিন্না য়োকখৎসি



অচুম্বতনা জয় ওইরকখিনি
কর্নেল হাওরোংবম সরত (রিটাইয়র্দ)
শোত্থরবশিংদা কত্থোকচবা

ইজরিবা ঐহাক্না চহী ৩০ হেল্লবগী মতমদা পাউচে খুদিংদা অসুম্না পীশিনজখি “মণিপুর ফগৎনবগীদমক থব্রায় কৎথোকপা ঙম্বা, মশাগী করিসু খন্দবা অমসুং ইমা লৈবাক্তগী অহেনবা করিসু লৈতে খঞ্জবা মীয়ামগী লূপ অমত্তা শেমসি হায়না খঙহঞ্জখি।” মণিপুরদা ফোঙলিবা পাউচে পূম্নমক্তা ইশামক্না পীজরগা ফোঙবীয়ু হায়জখি। ৱাফমসিদা য়াখিবা মী অমত্তনা পূনশি অমসুং শেমসি থোক্লকখিদে।

চহী ৩০গী মমাঙদা ঙসি ওইরিবা ফীভমসি ওইরক্কনি খঞ্জখ্রে। অদুননি মথক্কী পেরগ্রাফতা য়াওরিবা সেন্টেন্স অসি অদুগুম্বা লূপ অমা চহী ৩০গী মমাঙদা শেম্লম্লবদি ঙসিগী ফীভমসি ওইরোই। মতুংগী ৱাখল খন্দবনা অয়াম্বনি। ঙাইহাক-ঙাইহাক্কী সংসারদা তাওদুনা হিংবা ফূরুপ অমনি হায়বদা থোইনা লাল্লোই। ঈহৌ খুদিংগী খুদোংচাবা লৌবা মীরেম য়াম্না হিংলি। পুকচেল শেংনা কত্থোকপগা লোয়ননা ইমা লৈবাক্কীদমক ফগৎনবা হোৎনবা অমসুং লায়রবা মীয়ামগী য়াইফ-থৌদাং কদাই ফাওবা পাঙথোকখিবা য়াওখ্রবগে?

মণিপুরদা ত্রান্সপরেন্সি ইন্টরনেসনল ইন্দিয়াগী চেপ্টর অমত্তা হাংনবা মী মরিখক থিবা ফংখিদে। য়াম্না পুকচেল শেংলমগনি খল্লগা ময়ূম-ময়ূমদা চৎলগা হায়রুবনি। কনা অমত্তনা এন্টি-করপসন এসোসিএসন অসিদা য়াওবীয়ু য়ারকখিদে। খুন্নাই অসিদি করপসনদদি ৱর্ল্ড রেঙ্কিংদা নম্বর ৱান শোয়দনা ওইরমগনি। হৌজিক-হৌজিক থোক্লিবা কুকিশিংনা চত্থরক্লিবা থবক-থৌওং অসি মতিক-চাবা মীওইশিংনা লৈঙাক্কী মকোক ওইরম্লবদি থোক্লম্লোই। মেত্রিক্যুলেসন পরিক্ষা ফাওবা য়াম্না ৱানা থর্দ দিভিজনদা পাস তৌবা মীওইশিংবু মীচম মীয়াম্না শেল লৌরগা মীহুৎ ওইহল্লুবদগী থোক্লিবনি। কুমজা ১৯৯৩দগী পোক্লফম লমদমসিদা লৈরকপদা মতিক-মগুণ লৈবা, লৈবাক্কী খনবা অমসুং মীয়াম্বু নুংশিবা চীফ মিনিষ্টর অমত্তা য়াওদ্রি।

ওদিষাগী হৌজিক চীফ মিনিষ্টর ওইরিবা শ্রী নবিন পটনাইক অসি এম এ ৱাই ও কোলেজ, অজমেরদা তম্লকখি। ঐখোয় পূল্লপ দেল্লীদগী কোলকটা ফাওবা ত্রেনদা তোংমিন্নরগা নুমিৎ ২/৩ পূল্লকখি। ঐগী Course-mate, Biranclei Navayan Mishra গী ময়াম্বা পৃথিবীরাজ মিশ্রাগী খ্বাইদগী চান্নবা মরুপনি। শ্রী নবিন পটনাইককী অপোকপদি বিজু পটনাইকনি। ষ্টেট অসিগী চীফ মিনিষ্টর ওইরকখি। কলিঙ্গ এয়রলাইন্সকী মপুনি। Ace-Pilot নি। মহাক্না প্লেন থৌরগা জৱাহরলাল নেহরুনা তোংখি। শ্রী নবিন পটনাইক হৌজিকসু পাখংনি। ইংলিস লেংগ্বেজদা লাইরিক ১২ ইখ্রে। হৌজিক ফাওবদদি মহাক্কুম্বা চীফ মিনিষ্টর অমত্তা য়াওদ্রে। ইকায়নীংঙাই ওইরি ইমান্নবশিংগী মমাঙদা, ঙসি মণিপুরদা ওইরিবা ফীভম অসি। ইন্দিয়াগী ষ্টেট খুদিংদা ঐগী নুংশিখ্রবা মরুপশিং লৈ। হৌজিক্কী ফম্নাইবশিংগী করেক্টর অসিদি মীওইবগী খ্বাইদগী হন্থবা থাক্কী মীওইশিংনা পাঙথোক্কদৌবা থৌওংনি। খ্বাইদগী ইকাইনীংঙাই ওইবনি। অদুবু ইকায়বা হায়বদু মশক খঙদ্রবা মীওইশিংনি। ইকায়বা খঙদ্রবা মীদি য়াম্না হঙ্গোইনীংঙাইনি। মখোয়দগী য়াম্না লাপ্না লৈবীয়ু।

মণিপুরদা হৌজিক কুমজা ২০২৩ ফাওবগী মমাঙদা চৎনখিবা ইলেক্সনশিংগী মওংসি মীচম মীয়াম্বু শেলনা লৈথোক-লৈশিন তৌরগা পাঙথোকখি। অদুবু মে ৩, ২০২৩দগীদি মীয়ামসি মীকপ খরদি থোকপগুম তৌরি। মমাঙদা থোকখিবা য়াম্না থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিংসি মীয়াম্না মশা-মশাগী ঈজৎকা শেলগা খূৎশিন্নবদগী থোকখিবা ঙাক্তনি। ঐখোয়গী অশোয়বশিংসি শেমদোকসি। লমচৎ-শাজৎ লূদবা, মতিক-মঙাল য়াওদ্রবা, পুন্সিগী ৱাহন্থোক খঙদ্রবা মীদবু ঐখোয়না ইকায়খুম্নফম থোকপ্রা?

লৈঙাক্কী মীহুৎশিংগী মশক-মখোল উনীংদবা-তানীংদবদগী রেদিও, টিভি স্বিটচ ওফ তৌনরি। অয়ূক অঙনবদা পাউচেশিংগী ফ্রন্ট পেজ পাদে। লাষ্ট পেজদগী পাবা হৌরি। মরমদি মথোং হুক্তবা-হুক্তবীশিংগী ফোটোশিং অয়ূক অঙনবদা উনীংদে। মীওইবগী ৱাখল অমসুং থবক পাঙথোক্ত্রবা মখোয়দি উদবনা ফৈ। পুন্সিগী অফবা থবকশিং পাঙথোক্কদৌবা য়াম্না লৈরি।

মণিপুরগা ম্যান্মারগা বাউন্দরিগী অশাংবসি ৩৯৮ কিলোমিটরনি। মীদিয়া চেনেলশিংনা অমসুং ফম্নাইবনা মীয়ামদা ৩৮০নি হায়রিবদু চুমথোকপীয়ু। কিলোমিটর ১৮ ৱাৎনা পাউদম্বীরি। বোর্দর পিল্লরশিংদা অসাম রাইফলসকী লোগো য়েক্লিবদু মূত্থৎপীয়ু হায়বিয়ু।

য়েকশিল্লিবা মখোয়সু লাইরিক্কী মঙাল ফংদবা কাঙবুনি। লৈঙাকসু মথৌ মশক খঙদ্রিবা খুন্নাইগী মীহুৎশিংনি।



ঙসি মণিপুরদা ময়ূম-মকৈ ৱাংনা শারিবা, লন-থুম পৈশিল্লিবা ফম্নাইবশিং অমসুং মীয়ামদা ঙাইহাক-ঙাইহাক্কী উৎ চাৎরিবা কয়াসিগী অরোইবা মীৎকুপ মতুংদা লাকখিগনি। অচুম্বা ৱায়েলগীদমক এক্স-চীফ মিনিষ্টর, এক্স-মিনিষ্টর, এক্স-চীফ সেক্রেটরি, এক্স-দি জি পিনচিংবা কয়াবু জেলদা লৈরকপগী তাঞ্জাসু শোয়দনা ওইরকখিগনি। পব্লিক মনি (মীয়ামগী শেল) দি পৈশা ময়েক অমা লান্না শীজিন্নবা য়াবা নত্তে। অসুম্না মণিপুরগীদি জেল অসি দিষ্ট্রিক্ট খুদিংগী য়াম্না চাউনা শারগা থম্বনা মতিক চাবনি। শেলনা লৈবা য়াদবা থবক অমত্তা খুন্নাইসিদা লৈতে। শেলগী খুন্নাইনি।

মীওইবগী মপোকসি মতমগী মমিনি। অশেংবা অচুম্বা লো লৈরম্লবদি লমদমসিগী চাদা ৯০ ম্নাইবা অমসুং ফম্নাইদবসু জেলদা থম্বা য়াবগী মরাল লৈরবা ঙাক্তনি। খুন্নাই অসি হৌজিক্তি ওপন জেলগুম্বনি। ঙাইহাক লৈতনা লৈঙাক্না কর্ফিয়ু থল্লি। কনানসু থৌওইনা লৌনদ্রে। ওন্থোকপা মওং অমদা খুন্নাইসি হিংলি। পোঙথোক-চাউথোকপা, অপঙবশিংনা লৈঙাক্কী মপু ওইবদগী খুন্নাইসি মমশিনখ্রে। লৈবাক্কী আইনসি ফম্নাইবশিংগী পোকেটতা হাপ্লগা থম্বা য়াবা নত্তে।

পোলিটিকেল পার্টিবু ফেমিলিগী ওইবা য়াবা নতে। লৈবাক্কী ৱাফমদগী ইমুং-মনুং য়াওরকপদগী অচৌবা মতম মাঙবা থৌদোক-ৱাথোক কয়া ওইরি। এন দি এগী বি জে পি লৈঙাক্না আর টি আই এক্টিভিষ্ট Shri Sanjay Ezhava, Surat based NGO না বেঙ্কতগী লোন লৌখিবশিংগী মরমদা অসুম্না খঙহল্লি। মোদি গভর্ণমেন্টনা লুপা ২৫০,০০,০০,০০,০০০ (Rs. 25 lakh crores) এমাউন্ট অসি কোকপীখ্রে। আর বি আইনা শ্রী সঞ্জয়দা পাউখুম পীরকখিবনি। ৱাফম অসি মীদিয়া চেনেলশিংদসু পাবা ফংবীগনি। পব্লিক বেঙ্ক অমসুং সেদ্যুল্ড কম্মর্সিএল বেঙ্কশিংদগী য়াম্না চাউনা বিজিনেস তৌবা, লুপা ক্রোর ৪০,০০০/৫০,০০০/১০,০০০গী মথক্তা তৌরিবা মীওইশিংনা বেঙ্ককা মান্নরগা লৌখিবা লোন ঙাক্তনি। লুপা ক্রোর অসুক য়াম্বদি মোদি গভর্ণমেন্টনা কোকপীরি। অদুগা কম্মন মেন অমসুং লৌ উবনা লোন লুপা লিশীং/লাখ ১/২ লৌবগীদি কোকপীদ্রি। মোদি গভর্ণমেন্ট অসি লায়রবগী লৈঙাক নত্তে। ইনাক খুনবগী লৈঙাক্নি। লায়রবশিংগী বেঙ্কতা একাউন্ট হাংলগা লুপা লাখ অমমম হাপ্পীগনি হায়খিবদু মীনম্বা ওইখ্রে। রেভন্যু টেক্সশিংসি শরুক ৪ হেন্না ৱাংখৎখ্রে। টেক্স অনৌবশিং মীয়ামদগী খোল্লগা ফম্নাইবশিং নখোয় হেন্না নুংঙাইগনি খনবীগনু। হুমাং তাদনা তানবা শেলদি হকচাংগী মরু ওইবা ওর্গান কয়াদা চৈথেং শোয়দনা পীবনি।

কুমজা ২০২৩গী ওক্টোবরগী অহানবা চয়োলদা হাঙজৌ (চাইনা) দা হৌখিবা এসিয়ন গেমসকী ফল উরুবদা করপসনগী লমায় অমা অমুক হাংদোক্লি। ইন্দিয়ানা মেদল ১০৭ ফংখি। গোল্ড মেদল ২৮, সিলভর মেদল ৩৮ অমসুং ব্রোঞ্জ মেদল ৪১ অমদি মরিশুবা পোজিসন ফংখি এসিয়াদা। এসিয়া অসিদা কন্ত্রি ৪৮ লৈরি। হন্দক্কী এসিয়ন গেমস অসিনা Three figure গী মেদল মশীং ওইখি। মোদি গভর্ণমেন্ট অসি কয়া য়াম্না করপ্ট ওইবগে হায়ববু স্পোর্টস ফন্দগীদমক গুজরাট গভর্ণমেন্টতা লুপা ক্রোর ৬০৮ সেঙ্কসন তৌখি। হরয়ানা ষ্টেটতনা লুপা ক্রোর ৮১ খক পীখি। এসিয়ন গেমস মেদল টেল্লিদা হরয়ানা মেদল ৪৪ ফংখি অদুগা খ্বাইদগী স্পোর্টস ফন্দ ফংখিবা গুজরাট ষ্টেটতি জেরো (নিল) মেদল ওইখি। হরয়ানা গভর্ণমেন্টনা চাদা ১৫ খক ফংখি, গুজরাট গভর্ণমেন্টনা ফংখিবা স্পোর্টস ফন্দ অদুগী।

সিফাইবু নীংশিংবদি লানগী মতমদতনি। গভর্ণমেন্টনসু ওৎলৈ-পারৈ তৌদুনা পীগদৌবা, ফংফম থোকপা হকশিংদু অদুম নমশিল্লগা থম্মী। ইন্দিয়াদা ক্রিকেটর শ্রী সচিন টেন্দুলকরদি ভারত রত্না পীরি। অদুগা ফিল্ড মার্শেলস মনেকশো অমসুং কারিওপ্পাদদি ভারত রত্না পীখিদে। সিফাইগী অৱাবা থবকশিংদগী হেনবা অতৈ অতোপ্পা থবক অমত্তা লৈতে। লমদম অসিদদি অফবা, অচুম্বা, মীনুংশি লৈবা মীসি অপঙবনি হায়না লৌনৈ।



মণিপুর অসি হান্নদগী হৌনা লানফম ওইদুনা লৈরকখি। হৌজিকসু লানগী মওংদা অদুম লৈরি। মফম অসিদা অফবা ৱাফম তাবসি মী ইয়াম য়ামদ্রে। ইথৌমক নৎত্রবসু সজেসন খরদি ইজরি। ষ্টেট অসিগী য়ুনিফোর্ম শেৎপশিংসিগী ৱাখল অমসুং থবকসি হোংলক্লিবা সিচুএসন অসিগা চাননবা হোৎনদবা য়াদে। গাড়ীশিংসি হ্বাইট কলরগী ওইরি। য়াম্না লাইবা টার্গেটনি। ওলিভ গ্রীন কলর/কম্বেট দ্রেসকী মচুদু তৈবা য়াই। এক্স্রা গেদজেট গাড়ীদা হাপ্পগী মথৌ তাদে। বেট্টলফিল্ড দ্রেস শেৎপা য়াই, বোর্দর এরিয়াগী পোষ্টশিংদদি। পিতলগী অরংবা রেঙ্ককী ষ্টারশিং, মেদলগী রিব্বন, কম্মেন্দেসনগী বেদজ অমত্তা থেৎতবনা ফবনি। শ্রী লঙ্কাগী ওপরেসনদা এল টি টি ঈনা রেঙ্ককী বেদজ য়েংলগা ওফিসর কয়াগী পুন্সি লোইশিনখি। বুলেট প্রুফ জেকেট, হেলমেট, পর্সনেল ৱেপন মতম পূম্নমক্তা লোয়নগদবনি। য়াম্না চেকশিন্না মীৎ-না শিংনা দ্যুটি তৌগদবনি। য়েক্লবগী তাঞ্জাদু ঐখোয়না পীরোইদবনি। ঐখোয়না অদুম ফংজবা ঙাক্তনি ঐখোয়না তৌরুবগী মহয়দু।

মণিপুরদা হিংলিবা ঐখোয় পূম্নমকসি (King to Common Man) ঈজৎসি খূবাক মনুংদা চেৎনা য়োমদুনা থল্লগা হিংসি। ময়াং মচাশিং, মীতোপ অমত্তনা ঐখোয়বু উশিৎ-থৌওইদবগী মীৎয়েং চঙহল্লোইসি। মীওইবগী মপোক্তা মীংচৎতগী হেনবা করিসু লৈতবনি। নীরগা চাবগী মহুত্তা শিখ্রগা পুক্তা চাক মরূ অমা ফাওবা য়াওরমদবনা ফৈ। কনাদগীসু নীবা হৌনদে। লৈবাক্কী নিংথৌদি পোলিটিকেল পার্টি অমতগা মরী লৈনদবনা খ্বাইদগী অরেম্বনি। নিংথৌগা ফম্নাইবগা খেন্নবদু খন্থবীয়ু।

রিলিফ কেমপশিংগীদমক ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা পীরকখিবা লুপা ক্রোর ১০১ অদু পুকচেল শেংনা ৱানা হিংলিবা রিলিফ কেম্পকী মীওইশিংদা পীবিয়ু। থম্মোয় শেংবা, পুকচেল চাউবা অমসুং মীনুংশিগা লোয়ননা কত্থোকপগী থবক পাঙথোকপা হায়বসি ঐখোয় মীওইবগী ইথৌনি। ইন্দিয়াগী এরিয়া অসি য়াম্না পীকপা মফমনি। ঐখোয়না কনাগুম্বা অমগী মরমদা থিজিল্লুবদা শিৎ-নান্না খঙবা য়াবা ঙাক্তনি। হান্নসু ইজখ্রবা ৱাহৈ - লাপ্না য়েংবদা মী মাল্লম্মী অদুবু নকশিল্লক্লগদি মী ওইরমদে। মী মানবা ওইরম্মী।

ঐখোয়গী অৱাৎপা, অশোয়বশিংসি করি-করিনো হায়বদু য়াম্না মুন্না খন্থরগা চুমথোক্লবা হোৎনসি। কুমজা ১৯৭৪দা নাগালেন্দগী এক্স চীফ মিনিষ্টর Hokishe Sema অসি হিমাচল প্রদেশকী গভর্ণর ওইখ্রবনি। কুমজা ১৯৮১দা নাগালেন্দগী চীফ মিনিষ্টর ওইরমখিবা এস সী জামিরসু মহারাষ্ট্র ষ্টেটকী গভর্ণর ওইরমখি। করি মরমগীনো মণিপুরগী মীয়াম্না মতিক চাবা, মীমাং থোকপা ইন্দিয়াগী, ৱর্ল্ডগী লেভেলদা ৱা ঙাঙবা ঙমদদৌবা অমসুং মশক থোকপা ঙমগদৌবা মীওইশিংবু মীয়ামগী মীহুৎ ওইনা পুথোকপা ঙমদ্রিবসি? ঐখোয় ৱাখল য়াম্না খনবা ফূরুপ ওইসি।

মিজোরাম, নাগালেন্দ, সিক্কিম, মেঘালয়াগী ফম্নাইবা অমত্তা মীগী মতৌ তম্লগা দ্রেস অমত্তা শেৎতে। মশাদা পকই নৎত্রগা পক্তে খঙদে, শেৎলিবা দ্রেস অদু ইকায়দ্রা? খুন্নাই অসিগী চাওখৎপা খুদম হায়ববু লম্বী-সরক নাকল অনীদা দুকানশিং শারগা মীগী লমগী পোৎ-চৈশিং য়োল্লিবা অসিনা খ্বাইদগী অফবা খোঙথাং ওইরি। দিভেলপমেন্ট লৈত্রবা খুন্নাই ওইরে। অরেম্বদা মাঙলিবা মতমসি য়াম্না পাম্মুই।

মণিপুরদা তাইবঙ শেম্বা মপুনা পীবিরম্বা খুদোলশিং হায়বদি সঙাইশিংগী মশীং হেনগৎহন্নবা য়াম্না ফজনা য়েংশিনবীসি। সঙাই ফেষ্টিবেলদগী ফংলকখিবা ফন্দনা সঙাইগী করি অফবা থবকশিং পাঙথোকপীখ্রবগে? পাউখুম লৈতবা থবকশিং পাঙথোকপীগনু। ওর্কিদশিংগী গার্দেন হেনগৎহনসি, মপানদা থাসি, ইনকম-রেভন্যু ফংনবা। চীং মচাশিংদা কিহোম থানবগী প্লান তৌসি। মপানগী লমদা য়োল্লবদি য়াম্না চাউনা রেভন্যু ফংগনি। পোলো হেন্না ফগৎনবগী পোনিশিং চেকশিন্না শেন্নবীবগী মথৌ তারি। British Botanist F. Kingdom Ward না কুমজা ১৯৪৮দা Flower Show London দা সিরুই লিলি উৎখি। অতাঙবা মেরিট এৱার্দ ফংখি। লৈসি য়োকখৎসি। ইমাগী খুদোলশিংসি চেকশিন্না থমসি, পূম্নমকপু খুরুমজরি। ●

# নোক্লিংব্রা-কিজব্রা-শাউনীংব্রা


- খোইস্নাম ধিরেন মীতৈ -

চীফ মিনিষ্টরনা ৱা ঙাঙবা নুমিৎসি রিলিফ কেম্পতা থোংবা চাক অরেম্বদা য়াম্না মাঙই। করি এঞ্জাং থোংলিবনো হায়বা ফাওবা হংলমদনা চাক চানীংদে হায়দুনা তূম্ফমলোমদা চৎখিবা মীনা মশীং য়াম্মী। চাননবা থোংবা চাক্তু চাবা তন্দুনা হিপখ্রগা য়াহৌরকপগী পাউ-চেদা অমুক ফোটোগা কোন্ননা লৈঙাক পুরেলনা পীখিবা ঈং-তপ্পগী পাউজেল য়াওরকপদু হেক উবদা মখোল থোক্না মচিন্দা হায়দোকখি - “ওন্থোক্না পুন্সি শাংখ্রবা হায়বদুনিকো নহাকসে। নহাক্কুম্বা লুচিংবদি মালেমসিদা অতাঙবনি।” কয়াদা চাউথোকনীংঙাই ওইরিবা ঐখোয়গী লুচিংবনো হায়বসি মখোয়গী ৱাহৈসিনা তাকই। চাক য়াম্না চাদনবা হায়বদি চেঙ য়াম্না লোইশিনখিদনবা ঈং-তপ্পগী পাউজেল পীবিবদি ওইরম্লোই। অদুবু ঈং-তপ্পগী পাউজেল ওইনা ঐখোয়গী লৈঙাক অসিগী মন্ত্রি অমনা হেক্তা ঈরাংসিগী মরমদা ৱা খরা মীদিয়াদা ঙাঙবীবা নুমিৎতুমদি রিলিফ কেম্পকী চাক্তি তঞ্জাই অমা খোংবান্দা লৈরে। অসিগুম্বা চাক হুন্দোক্তুনা মাঙবগী থৌওং অসি রিলিফ কেম্প নত্তবা মণিপুরগী ইমুং অয়াম্বদা নুমিৎ চপ-চপ মান্ননা থোক্লে। মণিপুরদা হৌজিক চাক খ্বাইদগী চানীংদবা নুমিৎ হায়রগদি ঐখোয়গী লুচিংবশিংনা হৌজিক থোক্লিবা লান অসিগী মতাংদা ঈং-তপ্পা হঞ্জিনবগী ৱারোল পীবীবা নুমিৎ-নুমিৎশিংদুনা ওইরে।

নুমিৎসিদা ঐখোয়-ঐখোয়গী পুক মনুংদা অশিনবা মহি অমা মতোমতা থোকচৈ। ঈং-তপ্পগী পাউজেল তারগা চাকখাওদগী থোকচরকপা অশিনবা মহিসি রিলিফ কেম্পতা লৈবা মীগা ময়ূমদা লৈবা মীগা কৈদৌনুংদা চাং মান্নরোই। নহান কুকি মিলিটেন্টশিংনা কাপ্লকপা নোংমৈ মরুনা মোরেগী এস দি পি ও পান্দুনা লৈখিদবা নুমিৎ অদুদা লৈঙাক মপুনা রাষ্ট্রিয় এক্তা দিবস থৌরমদা হায়খিবদো - মণিপুরদা ঈং-তপ্পা হঞ্জিল্লবনিনা চাওখৎ-থৌরাংদা মায় ওনশিল্লগনি। কাউঙম্লরোইদবা পাউজেলনি। নুমিৎতুদা মীপূম খুদিংমক চাকখাওদা অশিনবা লোইনা কারমগনি।



পূম্নমকসি য়েংবীরগা ঐখোয়গী লুচিংবশিং য়ারগদি ৱা অমত্তা ঙাঙবীরনু। মণিপুরগীদমক লান্থেংনরিবা ইচা-ইনাওশিংসে চাক চাবদদি মবুক থন্না চাজসনু। মণিপুরবু নুংশিবা, মণিপুরগীদমক ৱাবীরিবা লৈঙাকপশিং হেক ঙম্বমখৈ খা চিল্লগা খাঙবীরো। নুমিৎ খুদিংগী মীতৈ শিরিঙৈ মতমদুদা নখা চিক্তুনা খাঙলগা ৱা অমত্তা হায়দনা লোৎখিবনি। নখা চিল্লগা নথৌ তৌরক্কদ্রা হায়দুনা মীয়াম্না ঙাইখিবদো, নখোয়দি নখা চিল্লগা ফমুং কাঞ্জদা পাকথবা ওইরম্লে। মদু মীয়াম্না খঙলকপদগীনি হৌজিক মণিপুরগী



মীয়াম্না নখোয়বু (মীহুৎশিংবু) ইকায়খুম্নবীদুনা নখোয়গী য়াওদ্রবসু ঐখোয় মীয়াম্না মণিপুরদা শীংনরক্লিবা পূম্নমক থেংনরগনি হায়দুনা থোক্লরক্লিবা। হৌজিক্তি ইমা নহাক্কী নচাশিংগী মরক্তা অৱাৎপা করিবু লৈরিবগে। খা চিক্তুনা কাঞ্জদা চঙলগা খাঙবা নচাশিংসু লৈরে। মজাতিগী মচিল-মনাও শিরকপদা কুম্মৈগুম য়েংদুনা লৈবা নচাশিংসু লৈরি। য়েক্লবা কনামত্তনা ঐখোয়বু লাকচবা য়ারোই হায়দুনা খা চিল্লগা থোরক্লিবা নচা কয়ানা পরেং লেংদুনা লানফম পাংলক্লে। ইরমদম্বু নুংশিবনা থৌনা ওইদুনা ইমুংগী মী অয়াম্বনা থোক্লখ্রবদা ফমুং কাঞ্জদা লোৎলিবা মীদুনা ইমুংদুদা কয়াম কুইনা লৈবা ঙমগনি। ইমুংদা লৈবদুনা শিগদৌরে হায়দুনা মখ্বায় মাঙদনবা পাম্বে ওইনা মীচম মীয়াম্না লানফম চৎননবা লেংলিবা পরেংদুদা শোয়দনা য়াওরক্কনি। নৎত্রবদি ইমুংদুদা অদুম অঙাং ওনখিবসু য়াই।

কুকিশিংগী ওইনদি সিপরেট ফংদ্রিবা ফাওবা লান লেপ্লোই হায়খ্রবনিনা ৱা লোইরে। মখোয়গীদি খন্ননীংঙাইবু লৈত্রে। ঐখোয় মণিপুরীশিংগী ওইনদি ৱাখল খন্ননীংঙাই য়াম্না লৈরি। ৱাখলসি য়ূমদা খল্লগুমসি। লৈকায়গী লম্পাক্তসু খল্লগুমসি। কুকিনা নোংমৈ কাপ্লকপদা হেক্তা য়ৌরকপা য়াবা মীতৈগী খুল অমদা চৎলগা খল্লুরসি। পূক্লিংদা করি ফাওরকপগে য়েংশি - নোক্লিংব্রা-কিজব্রা-শাউনীংব্রা। মফমদুদা ফাওরকপা ৱাখলদুননি মণিপুর কনগদৌরিবা। ●

## ষ্টেটকী পাউ

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW: LAMSANG**

**Ref :- Mutation Case No. 301/SDC/IW-L/2023**

Kongkham Bijoy Singh, S/o (L) K. Lukhoi Singh of Uripok Achom Leikai
- Petitioner

-VS-

Late Kongkham Lukhoi Singh, S/o (L) K. Tolchou Singh of Uripok Achom Leikai
-OP/Party

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

The 31-10-2023

U/S 46(3) MLR & LR, Act 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃত: পাট্টাদার কোংখাম লুখোই সিংহ পী:মৃ: তোলচৌ সিংহ, সাং উরিপোক অচোম লৈকায়গী মিংদা লৈবা ঈ:ও: তহশিলগী খুল নং ৪৮-লাইরেন শাজিকগী অনৌবা পাট্টা নং ৬৯ দাগ নং ১২৪৯ অমসুং কোংখাম লুখোইগী মহুত্তা মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমীৎ ৭নিগী মনুংদা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবীবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চত্থজরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
IW-Lamsang

HL-P/8361/3

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST, HIYANGTHANG**

**Ref. : Mut. Case No. 542 of 2023**

Oinam Sanahanbi Devi W/o (L) Pukhrambam Nando Singh of Langthabal Lep Mayai Leikai

-Vs-

Late, Pukhrambam Nando Singh, S/o (L) Tolchou Singh of Langthabal Lep Mayai Leikai

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Dated/Hiyangthang, the 02/11/2023

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 Petitioner গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি, মদুদি খুল নং 106-Hiyangthang পাট্টা নং 6, 3, 202 (অনৌবা) গী হাল দাগ নং 239, 250, 238, 240, 247, 248, 249, 251, 374, 241, 246, 355, 379, 402 & 245 (অনৌবা) গী এরিয়া .30, .68, .83, .68, .65, .63, .65, 1.50, .62, .62, .65, .40, .61, 1.94 & .67 একর। হেক্টর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী Pattadar অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা Pattadar গী লম মখৈ মথক্কী দংকারি অসিনা মমিংদা নমজরি তৌবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা মরী লৈনবা য়েৎনিংবা মীওইশিংনা লাক্লিবা তাং 10/11/2023 ইং, ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা নৎত্রগা অইবা চেরোলনা আপতি/Objection তৌবা য়াগনি। পীরিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি মখা তাবা ৱাকৎ তাদনা কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চত্থরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Imphal West, Hiyangthang

HL-P/8370/3

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, HIYANGLAM**

**Ref. Mut. Case No. 65/SDC/H** **Dt. 03/10/2023**

Wahengbam Ongbi Leima Devi, W/o (Late) Wahengbam Kishor Singh of Wabagai Terapishak
-Petitioners

-Vrs-

(Late) Wahengbam Kisor Singh, S/o (Late) Wahengbam Angangyaima Singh of Wabagai Terapishak
-O.P.P.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Kakching, the 2nd November, 2023

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি, হিয়াংলম তহশিল খুল নং ৬৭-হিয়াংলম অনৌবা পাট্টা নং ৯৬২ অরিবা ৪৪১ গী দাগ নং. ২৫৪৯ গী লম হেক্টর .১৪০০ চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃ: পাট্টাদারগী মিং কক্লগা উক্তা দংকারিগী মিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা কেস অসিগা মরী লৈনবা য়েৎপীনিংবা (objection) তৌবীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থখ্রগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Hiyanglam

HL-P/8366/3

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST, HIYANGTHANG**

**Ref. : Mut. Case No. 545/SDC/IW Hiyangthang of 2023**

1) Khoisanam Apabi Devi W/o (L) Khoisanam Mangoljao Singh of Lairenjam Awang Leikai (.06 area)
2) Khoisanam Ahanjao Singh S/o (L) Khoisanam Mangoljao Singh of Lairenjam Awang Leikai (.06 area)
3) Khoisanam Arun Singh -do- of -do- (.06 area)

-Vs-

(L) Khoisanam Mangoljao Singh, S/o (L) Khoisanam Beikul Singh of Lairenjam Awang Leikai

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Dated/Hiyangthang, the 02/11/2023

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 Petitioner গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি, মদুদি খুল নং 6-Lairenjam পাট্টা নং 263 (অরিবা) 113 (অনৌবা) গী হাল ডাগ নং. 1015 (অরিবা) 1015 (অনৌবা) গী এরিয়া 0.18 area একর। হেক্টর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী Pattadar অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা Pattadar গী লম মখৈ মথক্কী দংকারি অসিনা মমিংদা নমজরি তৌবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা মরী লৈনবা য়েৎনিংবা মীওইশিংনা লাক্লিবা তাং 9/11/2023 ইং, ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা নৎত্রগা অইবা চেরোলনা আপতি/Objection তৌবা য়াগনি। পীরিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি মখা তাবা ৱাকৎ তাদনা কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চত্থরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Imphal West, Hiyangthang

HL-P/8370/3

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।